# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, APRIL 05, 2016 PAGE 7




*মালেমগী নুপাগী গোল্ফ মশান্নদা রেকোর্দ কয়া থম্বা ঙমখ্রবা অদুগা চহী*
*অসিগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ওগষ্টা মাষ্টর্সতা*
*শরুক য়াবা ঙম্রোইদৌরিবা য়ু এস এ গী টাইগর বুদ*

*পেরুগী সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা*
*সিয়েন সিয়ানোদা শান্নরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা*
*ব্রাজিলগী হান্নগী মমিং লৈরবা শান্নরোই রোনালডিনো*




## *মিয়ামি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৬*

# সর্বিয়াগী নোবাকনা জপানগী নিসিকোরি থোইদুনা নুপাগী টাইটল লৌখ্রে

## নুপীগী দবলসতনা য়ু এসকী বেথানি অমসুং জেককী লুসিনা ফংখ্রে

miami open



*মিয়ামি ওপন ২০১৬ কী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা জোকোভিস (ওই) না রন্নর্স অপ নিসিকোরিগা খুৎ শোক্রবা*

ফ্লোরিদা, এপ্রিল ৪ ঃ

য়ু এস এ গী ফ্লোরিদা সহরদা পাঙথোকপা মিয়ামি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্বিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা জপানগী কৈ নিসিকোরিবু মায়থিবা পীদুনা লৌখ্রে। অদুগা নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদনা য়ু এস এ গী বেথানি মাটেক সেন্স অমসুং জেক রিপব্লিক্কী লুসি সফারোভানা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং কজাক্সষ্টানগী য়ারাস্লভা স্বেদোভাবু মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল অদুদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্বিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জপানগী কৈ নিসিকোরিবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

জোকোভিসনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদু মায় পাকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী কেরিয়রদা মিয়ামি ওপন টাইটল অসি হৌখিবা চহী অনীগী টাইটল থারগা চহী ৩ থংন–থংননা টাইটল লৌবা ঙম্লি।

জোকোভিসনা এ টি পি মাষ্টর্স টাইটলগী ওইনা অনৌবা রেকোর্দ অমা থমদুনা ২৮ শুবা কেরিয়র টাইটল লৌবা ঙম্লি। হায়রিবা টাইটল অসি মমাঙদা রেকোর্দ থমল্লম্বা য়ু এস এ গী এন্দ্রি অগাসিগী রেকোর্দকা মান্নবা ঙম্লিবনি।

জোকোভিসনা নিসিকোরিগা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা অহানবা সেট অদুদা সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬–৩ দা সেট অদু থোইবা ঙমখিবনি। মদুগী মতুং অনীশুবা সেট শান্নরকপদা শান্নরোই অনীমক গেম ৩–৩ মান্নদুনা লৈরম্বদগী জপানগী শান্নরোই অদুগী সার্ভিস গেম অমা জোকোভিসনা ব্রেক তৌদুনা অহানবা সেটকী স্কোর অদুগা চপ মান্ননা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

জোকোভিসনা মিয়ামি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল অদু ফংখিবা অদুনা মরম ওইরগা শেলগী মনা ওইনা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ১.০২৮ কী শেলগী মনা ফংখি। মদুনা মরম ওইরগা মমাঙদা এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী শেলগী মনা খ্বাইদগী য়াম্না ফংখিবা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফোদররদগী মহাক্না লাম্থোকপা ঙমখি।

শেলগী মনা ফংবদসু মাঙজিল থারিবা জোকোভিসনা মশাগী কেরিয়রগী ওইনা এ টি পি টাইটল ৬৩ শুবা ওইনা ঙরাংগী মিয়ামি টাইটল অদু ফংবা ঙমখিবনি। মরক অসিদা মিয়ামি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী রেকোর্দ য়েংলুবদা জোকোভিসনা টুর্নামেন্ট অসিদা মেটচ ১৬ থংন–থংননা মায় পাকপা ঙম্লি।

মিয়ামি ওপন দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলস ফাইনেলদা য়ু এস এ গী বেথানি মাটেক সেন্স অমসুং জেক রিপব্লিক্কী লুসি সফারোভানা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং কজক্সষ্টানগী য়ারাস্লভা স্বেদোভাগা লম্বা তৌনবদা অকনবা পাউখুম পীরক্লবসু অহানবা সেট অদুদা য়ু এস অমসুং জেক রিপব্লিক্কী জুরা অদুনা ৬–৩ দা থোইখি। মদুগী মতুং সেট অমা শোৎখিবা টিমিয়া বাবোস অমসুং য়ারাস্লাভা স্বেদোভানা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পাউখুম পীরক্লবসু জুরা অদুগী সার্ভিস গেম অমা য়ু এস কী বেথানি মাটেক সেন্স অমসুং জেক রিপব্লিক্কী লুসি সফারোভানা সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইবদগী ফাইনেল অদু লৌখিবনি।



*মিয়ামি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলস ট্রোফি লৌরিবা য়ু এস কী বেথানি অমসুং জেক্কী সফারোভা*

# ফ্রান্সকী লীগে ৱানদা লিওনগী আলেকজেন্দরগী পাঞ্জল অনীনা টিম অদুবু লিগ টেবলগী অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈহনখ্রে



*লীগে ৱানগী ক্লব লোরিয়েন্টপু মায়থিবা পীবদা পাঞ্জল অনী চনখিবা লিওনগী আলেকজেন্দর (ময়ায়)*

পেরিস, এপ্রিল ৪ ঃ

ফ্রান্সকী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগে ৱানগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লিওন ফুটবোল ক্লবকী মায়কৈদগী আলেকজেন্দর লকাজেটিনা পাঞ্জল অনী চন্দুনা লোরিয়েন্টপু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা লিওন অহুমশুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

লিওন অমসুং লোরিয়েন্টনা ঙসি শান্নখিবা লীগে ৱানগী ৩২ শুবা লীগ মেটচ অদুদা লোরিয়েন্টকী মায়কৈদগী অব্দুল মাজিদ ৱারিসনা শান্নবগী ৩৬ শুবা মিনিটতা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিবনি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনিট অমত্তমক ঙাইরবা মতমদা লিওনগী মায়কৈদগী আলেকজেন্দর লকাজেটিনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফ টিম অনীমক লম্বা মান্নদুনা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা ফনা কন্না হোৎনরবসু মেটচকী অপীবা মতম মিনিট ৮০ লানশিল্লক্রবা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল লৈবা ঙমখিদে। শান্নবগী ৮১ শুবা মিনিটতা লিওনগী রাচিদ ঘিজালনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা লিওননা মেটচ অদু ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৮৪ শুবা মিনিটতা লিওনগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা আলেকজেন্দরনা মেটচ অদুগী অহুমশুবা অমদি মশাগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা লোরিয়েন্টপু লিওননা পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা লীগে ৱানগী পোইন্ট টেবলদা লিওন পুন্না পোইন্ট ৫২ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখি।

স্পেনদা পাঙথোকপা লা লিগাগী মেটচ অমদা রিয়েল সোসাইদেদনা সিভিলাবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৩৮ ফংদুনা ১০ শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙম্লি।

লীগ অসিগী ঙরাং শান্নখিবা য়াম্না মরুওইবা মেটচ অমদা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা বার্সেলোনা ফুটবোল ক্লবগী লীগ মেটচ ৩৯ থংন–থংননা মায় পাক্তুনা লাকখিবা রেকোর্দ অদু রিয়েল মাদ্রিদনা পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা রেকোর্দ অদু মরক্তা থদৎপা ঙমখি।

বার্সেলোনা অমসুং রিয়েল মাদ্রিদনা শান্নখিবা মেটচ অদু য়ুম্বু ওইদুনা শান্নখিবা বার্সেলোনা মেটচকী অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদ্রবসু অহানবা পাঞ্জল অদু মেটচকী ৫৬ শুবা মিনিটতা টিম অদুগী জেরাদ পিকেনা চন্দুনা রিয়েল মাদ্রিদপু মখোয়না মাঙজিল থাখি।

বার্সেলোনাগী পিকেগী পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনিট ৬ লৈরগা রিয়েল মাদ্রিদতা শরুক য়ারিবা ফ্রেন্স করিম বেঞ্জিমানা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা লৈখি।

বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী মরুওইবা ষ্ট্রাইকর আর্জেন্টিনা মচা লিওনেল মেসি, ব্রাজিল মচা নেমর অমসুং উরুগ্বে মচা লুই স্বারেজগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল অমত্তা হাপচিনবা ঙমদনা লৈরিঙৈ রিয়েল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী পোর্টুগাল মচা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা মেটচকী লোইরমদাইদা চনখিবা পাঞ্জলনা মায় পাকপগী পাঞ্জল ওইদুনা লা লীগাগী পোইন্ট টেবলদা রিয়েল মাদ্রিদ মেটচ ৩১ দা পোইন্ট ৬৯ ফংলগা ৩ শুবা পোজিসন্দা লৈরি।

অদুবু মায়থিখিবা বার্সেলোনাগী টিম লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজৌননা মেটচ ৩০ দা পোইন্ট ৭৬ ফংদুনা লৈখিবা মরম্না মখোয়গী পোজিসন অদু অনীশুবদা লৈরিবা এটলেটিকো মাদ্রিদকী পোইন্ট ৭০ না তান্নবা ফংলোইদবা ফিভমদা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

ইটালিগী সেরি এ ফুটবোল লীগকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা পোইন্ট টেবলগী ১০ শুবা য়ৌবা ঙমদ্রিবা তোরিনোনা ৫ শুবদা লৈরিবা ইন্টর মিলানবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

লীগ অসিগী ঙরাং শান্নখিবা ৩১ শুবা লীগ মেটচ অমদা মাঙজিল থারিবা জুবেন্টসনা এম্পোলিবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি। নুমিৎ অদুদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা অনীশুবা পোজিসন দা লৈরিবা এস এস সি নাপোলিবু পোইন্ট টেবলদা ১৫ শুবা পোজিসন দা লৈরিবা উদিনেসনা পাঞ্জল ৩–১ দা য়াম্না হেন্দুনা মায়থিবা পীখি। অমরোমদা ৩ শুবা পোজিসন্দা লৈরিবা রোমানা ৮ শুবা পোজিসন্দা লৈরিবা লাজিওবু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।



*ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা সাউথমটনবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইবা ঙমখিবা লৈকেষ্টরগী স্কোরর ৱেস মোর্গান*

## ইন্টর কলেজ মুক্না

ইম্ফাল, এপ্রিল ৪ ঃ

হিয়াংথাংদা লৈবা কমখ্যা পেমতোন কলেজনা য়ুম্বু ওইদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কলেজ মুক্না টুর্নামেন্ট ২০১৬ চৎলিবা থা অসিগী ১৫ দগী কলেজ অসিগী শান্নবুংদা পাঙথোক্লগনি হায়না কমখ্যা পেমতোন কলেজ হিয়াংথাংগী স্পোর্টস কমিতিগী ওর্গাইজিং সেক্রেটরী ও কুমার সিংহনা প্রেসতা থোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কলেজ মুক্না টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা কলেজশিংগী শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিনবা য়াগনি হায়রি।

## কোলিনা কেপ্টেন ওইরগনি

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৪ ঃ

ঙরাং ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লোইশিনখিবা আই সি সি ৱার্ল্ড টি–২০ টুর্নামেন্ট অসিগী প্লেয়র ওফ দি সেরিজগী মনা ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ভিরাট কোলিনা আই সি সি ৱার্ল্ড টি–২০ এলেভেনগী টিম শেম্বদা কেপ্টেন ওইরগনি।

ৱার্ল্ড এলভেনগী টিম অসিদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন মহেন্দ্র সিংহ ধোনি য়াওবা ঙমখিদে। অদুবু মমিং লৈরবা বোল্লর আসিস নেহরাদি টিম অসিদা শরুক য়াবা ঙম্লি। ৱার্ল্ড এলভেনগী টিম খনবগী পেনেলদা ইন্দিয়াগী সঞ্জয় মঞ্জ্রেকর য়াওনা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী মমিং লৈরবা শান্নরোই কয়া য়াওখি।

## নেসনেল আর্মরেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপকীদমক শান্নরোইশিংনা রিপোর্ট তৌরগদবনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ৪ ঃ

ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্টকী চীংঙামখাদা লৈবা মোডেল ক্লবতা লোইশিনখিবা ৩৪ শুবা ষ্টেট আর্মরেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা নুপীগী কাঙলুপ্তা কিলোগ্রাম ৫৫, ৬০ অমসুং ৭০ গী নত্তনা অহানবা অমদি অনীশুবা পোজিসন তাখিবা আর্মরেষ্টলরশিংনা চহী অসিগী মে থাদা মহারাস্ত্রগী নাগপুর সহরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪০ শুবা নেসনেল আর্মরেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াননবগীদমক রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না মণিপুর আর্মরেষ্টলিং এসোসিয়েসন্না ঙসি প্রেসতা থোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা নুপী আর্মরেষ্টলরশিংগী মনুংদা এম মেমচা দেবী (কেজি ৭০), এন রোজিমালা (কেজি ৫৫), এল চনচলকুমারি (কেজি ৬০), সি ঐচ সুনিবালা (কেজি ৫৫) অমসুং টি ঐচ য়াইফবনা পঞ্জাবগী পটিয়ালাদা চংখরিবা ৯ শুবা ওপন সেনিয়র নেসনেল টগ ওফ ৱার চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াখিবা মরম্না মখোয় মণিপুরগী আর্মরেষ্টলিং টিম সেলেক্সনগীদমক এপ্রিল ৯ দা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।

## মিনি বোইজ কেস প্রাইজ ভোলিবোল

ইম্ফাল, এপ্রিল ৪ ঃ

ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শামুশঙ শান্তিপুরদা লৈবা সোসিয়েল ৱেলফিয়র য়ুঠ ক্লব (এস দব্লিয়ু ৱাই সি) না শীন্দুনা অহানবা কেস প্রাইজ মিনি বোইজ ষ্টেট লেভেল ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ থা অসিগী ১৬ তগী ২১ ফাওবা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা পাঙথোক্লগনি হায়না ক্লব অসিগী মায়কৈদগী প্রেসতা থোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ক্লব অসিনা থমগদৌরিবা শেলগী মনাশিং অদুদিঃ ৱিন্নরদা লুপা ১৫,০০০, রন্নরদা লুপা ১০,০০০, বেষ্ট দিসিপ্লিন টিম, বেষ্ট প্লেয়র অমসুং বেষ্ট সেট্টরনা লুপা লিশিং অমমমগী শেলগী মনা লৈগদৌরি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

সোসিয়েল ৱেলফিয়র য়ুঠ ক্লব শামুশঙ শান্তিপুর য়ুঠ ক্লবনা থোরকপা চেরোল অসিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না অহানবা কেস প্রাইজ মিনি বোইজ ষ্টেট লেভেল ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ তা শরুক য়ানিংবা ক্লব অমদি ওর্গাইজেনশিংনা মখোয়–মখোয়গী লুপা ৫০০ গী এন্ট্রি ফীগা লোয়ননা থা অসিগী ১৩ ফাওবা মনুংদা ক্লব অসিগী ওফিস নৎত্রগা ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিয়েসনগী ওফিসতা য়ৌহল্লক্কদবনি হায়রি।

## নেসনেল সেনিয়র মেন্স হোক্কি টুর্নামেন্টকীদমক মণিপুরগী টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৪ ঃ

উট্টর প্রদেশকী এস এ আই এফ এ আই দা থা অসিগী ৮ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬ শুবা সেনিয়র মেন্স নেসনেল হোক্কি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৬ (বি–দিভিজন) তা শরুক য়াগদবা মণিপুর হোক্কিগী সেলেক্সন কমিতিনা খনখিবা শান্নরোই ১৮ গী টিম অমা ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

য়ু পি গীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি বিসাম ফাইরেম্বম (গোল কিপর), এল নেলসন সিংহ (গোল কিপর), কে ঐচ জেন্ত সিংহ (দিফেন্দর), এ তোম্পোক সিংহ (দিফেন্দর), এম ব্রোন্সন সিংহ (হাল্ফ), কে এস ঐচ ৱাঙম্বা (হাল্ফ), এস মৈরাবা সিংহ (হাল্ফ), টি ঐচ অনিল সিংহ (হাল্ফ), ৱাই সঞ্জয় সিংহ (হাল্ফ), কে দেবেশ্বর সিংহ (হাল্ফ), টি ঐচ দিপু (হাল্ফ), এম সঞ্জয়মনি সিংহ (ফোৱার্দ), এম চীঙ্খো মৈতৈ (ফোৱার্দ), এন বিক্রম সিংহ (ফোৱার্দ), এম প্রেমানন্দ মৈতৈ (ফোৱার্দ), কে এস ঐচ সুমেসকান্ত সিংহ (ফোৱার্দ), এন অবুং সিংহ (ফোৱার্দ) অমসুং ভাকর নিংঙোম্বম (ফোৱার্দ) নি।


Admission Open for Foundation Course

DELTA Tutorials for CBSE
Kwakeithel Airport Road Imphal, Opp. Oil Pump
Largest coaching centre for Sc. & Arts in Manipur
Run by well qualified CBSE school teachers
Navodaya K.V. etc.

1st Batch
Class IX, X & XII Sc. from April 1
Class XI Sc. from April 14
Class XII Arts from May 4

Class Timing: 5:30 to 9:30 am, 4:30 to 7:30 pm
Lotus Girls Hostel With many attractive facilities
Free Transport

Special Features: We give full suggested study materials with probable questions & answers

Special Course for class ix, x & xii Sc.
Navodaya & others from --- May 4
Class XI from -- April 14

Van Service & Hostels for Boys & Girls



ADMISSION STARTS — NEW BATCH
MPSC's CIVIL SERVICES (PRELIMS)
GENERAL STUDIES
CLASS STARTS: 15TH APRIL 2016 ••• TIMING: 6.30 AM - 9.00 AM

ONLINE MOCK TEST
FOR BANK PO/MT/ASSISTANTS & OTHERS
CONDUCTED BY SBI, IBPS AND SSC
Registration starts : 21-3-2016; Date of Mock Test: 4-4-2016 onwards; Timing: 11.00am to 1.00pm

For MPSC Optional Subject
Public Administration
CLASS STARTS: 10-03-2016 TIMING: 9.15am -10.45am
For limited seats

6 MONTHS CERTIFICATE COURSE ON
Basic Computer Applications
CLASS STARTS: 30-03-2016
TIMING: 9.00AM - 10.30AM
For limited seats

KWAKEITHEL, IMPHAL
Proactive Academy of Competitive Examinations (PACE)
For a Bright Future
PHONE: 9206319209